## দ্রামা

# "মপুঙ ফাদবা"

*(মোহন রাকেশকী দ্রামা আধে অধুরেদগী **ডা. রাজকুমার মোবী সিংহনা** মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপা)*

**মমাং নোংমাইজিংগী মখা...**

নুপী ঃ খুম্নু, শুকখুম হেক খুম্নু। হায়জা নোঞ্জদনা মীদুবু য়ুমদা কৌরে। অদুগা লাকইবা মীবু করেম কথাইনদুনা ইকাইবা পীবা। অসিগুম্বসি ঐদি পামদে। ঐ খাঙবদা য়াম্না ৱায়।

মচানুপা ঃ খাঙবদা ৱাগদবা ওইরগনা করিগী কৌরিনো? মখোয় লাকপদা...।

নুপী ঃ হায়য়ু মখোয় লাকপদা করি ...?

মচানুপা ঃ তোকসি। অদুনবু ঐদি হান্না চৎচখ্রগে হায়রিদুনি।

নুপী ঃ হায়নীংবদো হান্না হায়খোনে।

মচানুপা ঃ মখোয় লাকপদা ঐখোয় য়াম্না তোল্লি। মদুগীসু মথক্তা ইশানা ইশাবুসু ...।

নুপী ঃ (চপ লেপ্পী) করি?

মচানুপা ঃ করি হায়বু হায়রিসিনি। ঙসি ফাওবদা কৌখিবা ময়ামদুবু করিগীনো?

নুপী ঃ নঙদি করিগীনি খল্লি?

মচানুপা ঃ মখোয়গী করিগুম্বা খরগীদমক। মহাক্তি হৈ-শিংই, তলপ লীশিং মঙা চাই। অমরোমদা মহাক্তি শঙ্গসু চাওই। কৌখি কৌখিবশিংদু শুপ্নতগী মখোয়গী ফম, তলপ অমদি শঙ্গগী খক্তগীনি।

নুপী ঃ নঙনা হায়রিসিবু মখোয় লাকপদা ঐখোয় য়াম্না তোল্লি সিরো?

মচানুপা ঃ খজিক্তংগা নত্তে। য়াম্না থীনা তোনখ্রবা জাৎনি।

নুপী ঃ অদুদি ঐনা কৌরুরিসিদি ...।

মচানুপা ঃ খঙদে করিগী কৌরুবনো। অদুবু লাকইবা ময়ামদুদি অদুগুম্বা ঙাক্তনি। হোয়নে, করিগী কৌরুবনো অমুক্তবু হংগে?

নুপী ঃ য়ূমসি ইথন্তা পুবা ৱারবা। কনাগুম্বা অমনা ইতেং পাংবিরবদি খল্লুবা। মীঙোন্দা হায়জ নোঞ্জরুবসু ঐগীদি নত্তে নখোয়গীনি। মসিদা নখোয়না য়াম্না তোল্লি খল্লবদি ফরে ঐ তোক্লগে। অদুগা ঐ ৱা অমদি হায়গে — য়ূমসি ইথন্তনা পুবদি ঙল্লরোই। লৈরিবা মীনি হায়দনা তৌরিসিনা অৰৈবা শেল লম্থুম মখৈ মাঙ তাকহনখ্রে। হৌজিক্লা মীরেম ওইদুনা লৈরি। নঙনা নশাগী হোৎনবদি তোকপু তোকখ্রো মীনা তৌবদা য়েখোয়-থিনগায়বা ঙাক্তা। মসিদবু ঐনা তৌগদবসিবু করিনো? লৈরিবা ময়ামসিনা থৌওইবীদ্রগবু ঐনা শুরু নোম্লুবগী করি অর্থনো? ঐসু শুদ-নোমদনা ফমদুনা লৈথোকপা য়াম্না হৈনা। মদুদদি নখোয় তোনবমক্তি তোল্লরোইদনা?

**মচানুপা তুমিন্না দরৱার চিংথোক চিংশিন শান্নে।**

**হৌজিক্লা করিগী তুমিন্না লৈরি। হায়য়ুদনা হৌজিক্তি লেন্না হিংজনবা করি উপাইদি থিজরে?**

মচানুপা ঃ ইমা তোকসি। ঐগী চীনসিনা করিগুম্বা ... ঐ মদু পামদে।

নুপী ঃ করি হায়দৌরিবা? হায়য়ু হায়নীংবদু হায়য়ু।

মচানুপা ঃ (চৌক্রিদা ফমথৈ) হায়রোই।

**ইফিং ফিংনা দরৱারদগী মেগজিন অমদি কাতি লৌথোক্লগা থোঙ দঙ থিংজিল্লি।**

নুপী ঃ হায়ররোই হায়বা নৎত্রো? অদুবু, হায়রোইদবা লৈরদি করিগী হৌদোরক্লিবনো?

মচানুপী অহল ঃ (চঙশিন্দুনা নুপীগী লেংবান শোকই) ঙাইখো ইমা ঐ ঙাঙনগে। (মচানুপাদা) অশোক য়েংউ ...।

মচানুপা ঃ ঙাইহাকসিদা নঙ য়াওরকত্রদি য়াদ্রবরা?

মচানুপী অহল ঃ ঐসু ৱা অমত্তা হংগে?

মচানুপা ঃ করি মরমগী হংদৌরিবা? ঐ অমত্তা খুল্লোই।

মচানুপী অহল ঃ (ঙাইহাক লেপ্পী) ইমানা ঙসি ফাওবদা হোৎনরিবসি নঙসু খঙলিবা নৎত্রা।

মচানুপা ঃ মসিসু অসুম মখা তাথৈনা।

নুপী ঃ করিগীনো মঙোন্দা ঙাঙলিদো। ঙাঙলুনু। হৌজিক্তি ইশা ইশাগী।

মচানুপা ঃ খল্লু খল্লু।

মচানুপী অহল ঃ অশোক!

মচানুপা ঃ ঐদি হায়নীংদবনি।

নুপী ঃ অদুদি করিগী হায়রিবা?

মচানুপা ঃ হায়দবা য়াদবা। ঙমদ্রদি করিগী হোৎনরি?

নুপী ঃ ঐনা হোৎনরিসিবু ...।

মচানুপা ঃ হোৎনবিনবা লৈতে সী নৎত্রো। সীদনি হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রিবা।

মচানুপী অহল ঃ নঙনা হায়রিসিনদি ... ইমানা তৌরিবা পুন্বসি।

মচানুপা ঃ অদুবু করিগী তৌরিবনো? কনাগীনো?

মচানুপী অহল ঃ ঐগীদমক।

মচানুপা ঃ অদুনরা য়ুমদগী চেনখ্রিবদু?

মচানুপী অহল ঃ কিন্নীগী।

মচানুপা ঃ অদুনরা নোংমা নোংমগী মথোঙ হুক্লকত্রিসে।

মচানুপী অহল ঃ বাবাগীদমক।

মচানুপা ঃ মহাক্কী মতৌসিবু য়েংবা ঙল্লিব্রো?

মচানুপী অহল ঃ পুন্নমকসিগী মথক্তা নহাক্কী।

মচানুপা ঃ অদুনরা য়ূমসিদা ঐসিবু অসুক থৌওইদ্রিবা। মসিবু করিগীনো?

মচানুপী অহল ঃ মদুদি করন্না খঙগনি।

মচানুপা ঃ অতোপ্পগী খঙদ্রবসু নশাগীদি হায়বা য়াইনা। নঙনা য়ূম থাদোক্তুনা চেনখ্রিবনা করিগী?

মচানুপী অহল ঃ (তৌফম খঙদনা) ঐ ...বু... রো? ঐনা চৎখিবদুদি ...।

মচানুপা ঃ নঙনা চেনখিদুনা মনোজবু পামজরুবা। মদুনা মফরে খল্লুবা নৎত্রো?

মচানুপী অহল ঃ (মপুক্লীং নুংশিনা) হায়রিসিনদি নহাক্লা ঐবুসু ...।

**নীংঙমদনা মোরাদা ফমথৈ।**

মচানুপা ঃ ঐনা হায়দ্রো ঐঙোন্দা ৱা ঙাঙলক্কনু হায়দনা।

**নুপী তপ্না মচানুপী অহলগী মনাক্তা চঙশিল্লকই।**

নুপী ঃ (পেন্দনা) ৱাফমদো নহাকমক্লা হায়রবনিকো?

**মচানুপা পাউখুম অমত্তা পীদনা মেগজিন ফাক্তোক্তুনা লাই চপ্পী।**

নহাকমক্লা?

**মচানুপা তুমিন্না লাই অদুম্মক চপ্পী।**

ফরে ঙসিদগী ঐসু ঐগী থোকপা। নখোয়সু নখোয়গী থোকপা।

**মচানুপী অহল খুজীন শীক্তুনা লৈ।**

ঐবু কয়াম কুইনবু হিংখিনি। হিংলিবা মতম খরসিদি অসুন্নদি হিংলোই। ঐগী অপাম্ফ্ল। ইমুংসিগী হোৎনবা য়াবা ঐ হোৎনরে। ফরে মতুংদদি ঐ তশেংনা হোৎনখ্ররোই। ঈশ্বরনা সাক্ষী হোৎনখ্ররোই।

**নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী খোঞ্জেন অমা। মচানুপা লাইশিংদু খোমগত্তুনা ঙাইহাক য়েংই। কাতিনা চরপ চরপ চপথত্তুনা লৈমায়দা অমুক থাদৈ। ফম্বাক্কী মৈঙাল অদু মচেৎ মচেৎ মমশিল্লকই। ঙাইহাক্কী মতুংদা ফম্বাক পুন্নমক মমশিল্লকপগা লোয়ননা খোঞ্জেনসু তপ্না তপ্না লেপখি। অদুবু কাতিনা চপ্পগী চরপ চরপ হায়বা মখোনদি লেপ্তুনা অদুম তারি।**

**মরক্কী অহাঙবা মতম**

**তোঙান-তোঙানবা মৈঙাল অনীগী মঙালদা মচানুপী অহল অমদি মচানুপা লৈরি। মাঙদা জ্বার চেশিং শন্দোক্তুনা মচানুপা সোফাদা উপ্রাকনা হিপ্তুনা মখোঙ নোমদুনা শান্নরি। মচানুপী অহলনা টেবল মথক্তা প্লেট্টা য়াওরিবা স্লাইসশিংদু বট্টর তৈরি। স্লাইসশিংদুগী মনাক্তা টিন কটর অমদি চীজ কৌটা অমসু থম্মী। ফম্বাক অদু মৈঙান্না শীন্থুংনা ঙাল্লক্ল বদা নোংমগী লোইশিনহৌদবগী চাইখায়রিবশিংদু উরি। মচী মচীদা চা থকখিবগী কপ অহাঙবশিং, মফি মরোল হোংলম্বগী চাইরিবশিং অমদি অতোপ্পা পোৎ-চৈ খরসু উরি।**

মচানুপী অহল ঃ কৌটাসি অমুক্তা হাংদোকউদনা।

মচানুপা ঃ (জ্বারদা উংই) ঐ ঙল্লোই।

মচানুপী অহল ঃ ঙল্লোইদবা ওইরদি করিগী লৌরক্লি?

মচানুপা ঃ নঙনা শোৎপা য়াবমখৈ শোৎলকউ হায়বদাই। ঐদি ফোন অমসু তৌরকই।

মচানুপী অহল ঃ কনাদা?

মচানুপা ঃ অংকল জুনেজা হোয়দা।

মচানুপী অহল ঃ বাবাগা ৱারী শারকপ্রা?

মচানুপা ঃ শারক্তে।

মচানুপী অহল ঃ অদুদি কনাগা?

মচানুপা ঃ অংকল জুনেজাগা।

মচানুপী অহল ঃ করি হায়রকই?

মচানুপা ঃ করি মতাংদা?

মচানুপী অহল ঃ বাবা হল্লকপগী।

মচানুপা ঃ হল্লকখিরোই হায়।

মচানুপী অহল ঃ হল্লকখিরোইদবা?

মচানুপা ঃ হোয়।

মচানুপী অহল ঃ অদুদি হান্না হায়বা য়াদ্রা। অরেম্বদা ঐনা সেনৱিসগসি ...।

মচানুপা ঃ ঐদি নঙনা চীজ সেনৱিসগা য়াম্না পামজবদুদা অসুম হায়রিবোই নীংলুরে।

মচানুপী অহল ঃ ইমানা ওফিস কুল্লকপা মতমদুদি বাবাসু হল্লকপা য়ারে ঐবু হায়খিদ্রনে? মখোয় অনীমক চীজ সেনৱিসসি য়াম্না পামজবনিসু হায়খিদুদি।

মচানুপা ঃ পাম্বদি অংকল জুনেজাসু পাম্মীদুদি। মহাক লাক্কনি মঙোন্দা পীজৌ।

মচানুপী অহল ঃ মহাক লাক্কনি হায়ব্রা?

মচানুপা ঃ ইমাগা ৱারী খরা শান্ননি হায়। তরুক, তরুক মখায় অদুৱায়দদি লাক্কদ্রা।

মচানুপী অহল ঃ ইমানা চৎখিবা মওংদুগা হল্লক্লগা ৱারী শান্নদৌরিবা! ওফিস চৎলমদাইগী শকফমদো উহৌদ্রা?

মচানুপা ঃ ঐদি উনিংদদনা লৈথোকহৌরে।

মচানুপী অহল ঃ ঙরাংদগী ৱা-লানগা অমত্তা ঙাঙদে। অয়ুক্তগদি ...। সুমাইনা ঙাঙদা শক্তবদি অমুক্তবু উদ্রি।

মচানুপা ঃ নঙনা ৱারী শারুরিবা?

মচানুপী অহল ঃ চা নুংগী মতাংদা।

মচানুপা ঃ ছাড়ীগদুনা নাল্লিবা, লুহোংবা চৎপদু মঙাই।

মচানুপী অহল ঃ নঙ উহৌব্রা?

মচানুপা ঃ থোকখিবদুদা হায়রপ য়েংহৌবনি।

মচানুপী অহল ঃ ঐনা খনবদা ওফিসতগী কদায়দনো অমা চৎকদবা মাল্লি। হান্নগুম মঙা মখায়দা হল্লক্কনিসু হায়রম্মী।

মচানুপা ঃ নঙ হংহৌব্রা?

মচানুপী অহল ঃ হোয়। মদুগী মতুংইন্না ঐসু ঐগী ...। অদুবু তঙ তাবা অমদি হায়রমদে।

মচানুপা ঃ করিবো?

মচানুপী অহল ঃ মপুক্লীংদা খনখিবদো। মঙা মখায়দা হায়রম্বগী ৱানি হল্লক্কদবদি মান্দে।

মচানুপা ঃ মান্দে হায়বা?

মচানুপী অহল ঃ মান্দে। মপুক্লীংদা করিনো অমা খনখিবা মাল্লি।

মচানুপা ঃ ফরেদা।

মচানুপী অহল ঃ ফরেদা হায়বদি?

মচানুপা ঃ করিনো অমদি তৌরেদনা।

মচানুপী অহল ঃ করিবো?

মচানুপা ঃ অমা হেক্তা। তৌদবদু তৌরক্লবদি ফরেদনা।

মচানুপী অহল ঃ হায়রিসিনদি নঙ তশেংনা পাম্মে?

মচানুপা ঃ (জ্বারগী অরোইবা চেনাদু লংথৈ) পাম্মে। তশেংনা তঙ-তাবা অমদি পাম্মে। নঙদি পামদ্রা?

*মথং মথং...*

## ৱারি

# লিলসু হাৎপা চৈশুসু তেকহন্দবা

### তেনালিরামগী ৱারী
**অবুজম ইবোপিশক লুৱাং**

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়গী দরবারদা শক্লাইবা দরবারী অমা ওইরিবা গুনসুন্দরনা তেনালীরাম্বু কন্না য়ানিংদে। তেনালীরাম্না করিসু লৈতবা ইচম-চম্বা করিগুম্বা ৱা অমা নোক্লা-নোক্লা ঙাংলকপা ৱাহৈ খুদিংমক মহাক্কী মপুক্লিংদা হেন্না খঞ্জিন্দুনা মতোমতা মখোয়দৌ বৃ-বৃ থিৎচৈ। মহাক্কী ৱাখলদা নোংমা নত্রগা নোংমদি শোইদনমক্কী প্যাডা অমদি তম্বীদুনা লম্মন খুম্নিংবগী ৱাখলদা শীঙদুনা তাঞ্জা ঙাইরি। তেনালীবু শীঙলিবসি মহাকখক্তা নত্তে, হায়বদি রাজগুরুসু অমনি। মসি গুনসুন্দরনা খঙবা ঙম্মী। মখোয় অনি অসি য়াম্না নুংশিননা তিন্নৈ। তিন্নরিবগী মরম অতৈ করিগীসু নত্তে, হায়বদি মখোয় অনিমক্লা তেনালীবু নুংশিদে।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না তেনালীগী থোইদোকপা লৈতবা পোৎ অমবু খুদক্তা হেক্তা লৈহনবা ঙম্বগী য়াম্না থাক ৱাংবা মঙম অসিবু য়েংলগা মতম লৈবখিবীক্তা দরবার ময়ায়দা থাগৎপা অসিনা গুনসুন্দরগী মথ্বায় প্রোক-প্রোক চাকপী হায়বদু হেক থোকই। অদুগা অমরোমদা মহাক্লা নিংথৌবু মাংননবা ফত্তনবখক্তা হায়। মসিগী ৱাফম অসিসু তেনালীনা ফজনা খঙই।

গুনসুন্দর অমসুং রাজগুরু মখোয় অনি হান্ননা চিরোল তৌরগা নোংমা মখোয় অনি পুন্না নিংথৌগী মনাক্তা চংলক্তুনা তেনালীবু শাথিনা শীদোক্তুনা পাউ তম্মী, "ইনিংথৌবু, মাগী তেনালী হায়বা মথোং মরম খঙদবা নাৱা অসিনা ঐখোয় ইনিংথৌগী তুংদা লৌখৎপা য়াদনা শীদোক্লিবা ৱায়াম অসিদি ননাই ঐখোয়দি তাবদা ওন্থোক্লা ৱাজে।"

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় মখোয় অনিগী পাউদম লাক্তম অসিদা থোইনা থাজবদি ঙমদে। অদুম ওইনমক শক্লাইবা অনিনা ফজনা মরীক চুম্না তম্লক্লবা কৌবনা মহাক্লা তেনালীরামদা, মখোয়না হায়রিবসি চুম্ব্রা হংই- নহাক্লা ঐ অসিবু ঐগী তুংদা ঙাইহাক লৈতনা শীদোকই হায়রিবসি তশেংনমক্কী অচুমব্রা?

তেনালী অপঙবা মী নত্তে, খজিক্তদা লোইনমক হোত্রোং উবা ঙম্বা মীশক্লি। মহাক্লা হায়রকই- "ইনিংথৌবু চুম্মী লাল্লি হায়বা মদুগী পাউখুমদি ঙসিগী অহিং অসিদা শোইদনমক্কী পীজগনি তৌম্বতবু মদু ফংবীনবগীদমক্তা ইনিংথৌ ননাই ঐখোয় অনি পুন্না লেঙমীন্নগনিদো।"

নুমিদাংদা তেনালীনা নিংথৌগী মফমদা পাউখুম পীনবগীদমক্তা নিংথৌগা লোইননা রাজগুরুগী য়ুমগী মনিংদা ফাৎলিবা খোঙনাও মনাক্তা লেপমিন্নৈ। মখোয়না ইমুং মনুংদা রাজগুরু অমসুং গুনসুন্দর ৱারী শান্নবগী মখোল তাবা ফংলম্মী।

"ঐখোয়গী ইনিংথৌসিসু তেনালীরামবু হায়ফেত্তি থাজজবা ওইরে। মাগী তেনালী রাম হায়বা মথোং হুক্তবা অসিনবু ৱা অমতংবু হায়রবদি লোইরে, পুমশি শীরে। অদু ঙসিদি ঐখোয় অনিগী ৱাসু অচুম্বা ওইনা লৌরে হায়বা" গুনসুন্দরনা নোক্লা-নোক্লা ৱা ঙাংবা তাই।

গুনসুন্দরনা নিংথৌবু পন্দুনা শীদোকপীবা অসিদা রাজগুরুনা করিগুম্বা ৱাহৈ অমতা মচিন্দগী হায়হৈদে, তৌহৈদে হায়বা ৱাফম মচিন্দগী কাংথোকরকখিদে।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় ইমুং মনুংদা কনা তাররোই মতাগুম ৱারী শানরীবা পুন্নমক ময়েক শেংনা তশেং-তশেং তাবা ফংলম্মী। মতাং অসিদা তেনালীনা হায়রকই, "ইনিংথৌ, হৌজিক্তি অদোম্না ননাইদা থৱায় কয়া নুংঙাইফাত্তনা হংবীখিবা ৱাহংগী পাউখুম ফংবীরে?"

"চুম্মী, অদুম্নদি ওইরগা তেনালী! ঐগী পুক্লিং অসিদা রাজগুরুবুদি ইকাইখুম্নবগী মফম চাওনা কল্লি। মসি ঐনা অসুম খনবদা নহাক অসি রাজগুরুনা কল্লক য়েংথিবনা মরম ওইরগা মাগী ৱাখল চোয়বা ওইগনি অমসুং মদুনা লমজিংলগা মীফত্তা অসিগী চিন্না থাকপা লাংদা থুদুনা তিন্নবনি। ফরে, অদু ওইনিংবা অমা ওইজরসনু, মসিগী মচিন তুম্বা গুনসুন্দরগী মচিনগী লাংদা থুরিবা রজাগুরুবু লৌথোকপা হায়বসি নহাক্কী তঙাই ফদ্রবা নথৌদাংনি।" নিংথৌনা হায়রকই।

মসিগী নুমিৎ খরনি কান্নরগা তেনালীনা মীফম অমা শীন-লাঙদুনা মহাক্কী ময়ুমদা নিংথৌ য়াওগদবা মীফম অমা কৌই। মীফম য়াওবা দরবারী ঙম্নমক মতম চানা-চানা য়ৌরক্লে। মতম চানা নিংথৌসু ফমফমলাংদা লেঙশিনবীখ্রে লোয়ননা রাজগুরু অমসুং গুনসুন্দরসু পুন্না য়ৌরক্লে। তেনালীনা রাজগুরু অমসুং গুনসুন্দরগী মফমদা থোইদোকপা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা থৌগল তৌজে। তিল্লিবা ময়াম্না অমগা অমগা ওন্সিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানরী। তাল্লক অসিদা তেনালীনা ফুক হৌগৎলগা গুনসুন্দরগী মনাক চংশিল্লগা মনাকোংদা করি করিনো খরা ঙাংই। মহাক্লা ৱা ঙাংনা-ঙাংনা রাজগুরু ফলপ-ফলপ য়েংই। মহাক্লা ঙাংলিবা ৱা ময়াম অসি গুনসুন্দরনা করিমত্তা লৌশিনবা ঙম্লমদে। করি মরমগী মমৈ মকোক শম্নবা ৱা ঙাক্তা ওইবনা। অদুদগী অমুকসু খোল হৌনা, লৈরীবা মীশিংবু তানবা হায়রকই, "খঙঙেদনা হৌজিক ঐনা অদোমগী মফমদা থমজখিবা ৱাফম অদু কনাগুম্বী অমত্তদা হায়দোকপীবা য়াবা নত্তে, নাকোং অনি শুহনবীরোই।"

গুনসুন্দর মতৌ অসিদা তিঙক-মায়ঙক্লে, হোয়বু হায়গদৌরিব্রা নত্রগা খঙদেবু হায়গদৌরিব্রা। মফম-মরাং খঙদনা তেনালীদা ইক-আক্তা য়েংদুনা লৈ। তৌরিবা কৈদা-লাক্তা অসি উরগা রাজগুরুগী থম্মোয়দা ধং-ধং থিল্লকই। মসি অতৈ করিনসু নত্তে হায়বদি তেনালী রাম্না গুনসুন্দরগী নাকোংদা করিনো খরা হায়বা মতম অদুদা তেনালীনা মাঙোন্দা কিরুপ-কিরুপ য়েংলকপা অদুদা চিংনদুনা তৌবনি। রাজগুরুনা থাজৈ, সুকশোই শোইদনমক্কী মাগী মরমদা ৱা খরদি ঙাংনরে। রাজগুরুনা গুনসুন্দরগী মফমদা তেনালীনা করি হায়রম্মী হংই। করিসু হায়রম্বা লৈতবনা গুনসুন্দরনসু করিসু হায়রমদে, হোয় তৌবগীবুদি করিনো খরা হায়, মদু মমৈ মকোক শম্নদবা ৱানি হায়দুনা অশেংবদু খুম্মী। অশেংবদু হায়রফাওবদা রাজগুরুনা গুনসুন্দরবু ৱারৌই। লুনা তিন্নরুবগী করিসু কান্নদে খল্লকই। ওন্নতৈনবা ৱাখলদা মখোয় অনি লৌতুনদুনা ঐবু ফাগী শান্নবীরে লৌখি। মসিগী নুমিৎ অসিদগী মখোয়গী তিন্নবা লাপথোক্লখি। মতম খরা তিন্নরম্বা অদুদি ৱারী ওইহৌরে।

নিংথৌনা তেনালীদা হায়রকই, "তশেংনমক্কী লুদা লুশিল্লক্লবা মতাং লাক্লবদি মদুগী ৱাখৈ ঙম্বদি নহাক্কী লম্বা লৈতে। নহাক্লা লিলসু হাৎলে চৈশুসু তেকহন্দ্রে।"

## শৌরেং

### ইরমদম
*-ভুমেস্বর সেক্তা*

ঐগী ইরমদম লমনুংশি
ওইর ঙসিদি খৈনপুং
উদ্রে অচুম্বা লমবেলসু
নুংশিবা খোঞ্জেলসু তাংদ্রে
লৈত্রে লমদমসে অইংবা
ঐগী ইরমদম .......॥
শাৎলরে লৈরাং থৌনা লিংজেলতগী
ওইহল্লে শেঞ্জা থুমজাগী ইফুৎ
থোক্লরবদা অফসপা গী নুমিৎ-থা
শেনখাই থুমখাইগী নুংশিৎনা শিৎলরে
পুৎথরে থবক ইংখাংগী কোমজাওদা
ঐগী ইরৈচাশিং ......॥
চেল্লরে চৎনবীনা মাংজিল
থুররে রাজনীতিনা লাংদা
পৈশাগী থৌরীনা পুল্লরে
য়ৌরক্লে মচু কয়াগী ফীরাল
ৱাঙাং কমজাওগী ময়োল হুল্লরনী
ঐগী ইরমদম .......॥
নোংদোল থক্তা খোংলরনী লায়ররবা
য়াইতোং ফমদোংবনা শুরুংদা লোৎলি
থৱাইনদি চৎলি অহাংবা মালংদা
অমম্লবু কোয়তান তান্না থিরী অঙানবনা
মীকপ মীরাওখোলতনা পুমচাই চাইররে
ঐগী ইরমদম সে, ঐগী ইরমদম ॥

— — — — — — — — — —

### অনৌবা শক্লোন
*-নাওরেম ইবোহল মঙাং*

নোক্লি শিথ-শিথনা হঙ্গৎপা ঙমদ,
মশম মনা ফারিবী নুপী অমা।
হঞ্জিন্না মথবাক্তা ফুজিঞ্জে শরুগী মখুৎনা,
শিন্থরক্লবগী মীৎলুদৈ অঙাঙবা পীগী ঈরিকশিং,
অৱাবা শক্তমনি অমম্বা মৈখু মরকসিদা।
মচা কায়নরবী ষনবীগুম মাইকৈ খঙদ,
চেন্ন-চোংনা হীক্লা তেংথা নাওইরিবা।
অরেপ্পা শক্লোন লৈত্রবী মহাকপু কনানো?
থিরিবনি ঐসু পোক্লফম ইমা নুংশিবীদো।
থেংনবা কৌবতা লৈত্রবনি ঐগী খোঙচৎসিদা,
হায়নরিবা ইমা লৈবাক্তো নওবরা মফমসে,
ঐনা ঙসি লেপলিবা লৈকংলা?
পুমহাং হাংলিবা অকোয়বা ঐগী মীৎয়েংসিদা
কন্দায়দৈ তারিবা খোঞ্জেলনো শাহিংচাবশিংগী?
য়েংঙু! নুপীসে খ্বাংচেৎ মচি লাংখ্রে,
ফারম্বা শম্লাং তাশিন খোমজিন পুনখ্রে,
শাগৎলক্লে শক্তম পোক্লফম ইমা মণিপুরগী।

— — — — — — — — — —

### ইঙা থানা লাকপদা
*-দোনেশ্বর কোন্সম*

ইঙা থানা লাকপদা
ওল্লাং মৈশা নেল্লিঙৈ
চরৈ ফিশেং শেক্তুনা
তাইবং মপু মঙোন্দা
য়াইফ থৌজাল নিরগে॥
ইঙা কুমদম তারিঙৈ
ইঙেন কুমখাই লাক্লিঙৈ
থম্মোয়নুংগী য়াৱানা
লকানুংগী ৱাহৈনা
থৌজাল হৈবা মঙোন্দা
নঙগী চেঙজেল নিরগে॥
নোংখোং তোয়গে তোয়সনু
নোংথাঙ কুপকে কুপসনু
নোংলী ঈরী কনসনু
মালং খোঙদোই হুনসনু
ৱাশক ফিগা য়াদুনা
নঙগী পুন্সি নিরগে॥

— — — — — — — — — —

### ৱাখা তাবা কোইজোম্বা নকোই ফৎ ফোইদৎকে
*-লাইশ্রম বীমোলচান্দ*

করি ওইরে হে শান্তদাস
লায়থুংনা য়োম্লেদো রামগী মানাই
শেংল-লুর মৈতৈ পুয়া পোৎলোইমন্দি
নশাদু নমথীা মনম্না হঙ্গোয়রেদো
পোক পোক পোকখাইরেদো লায়থুংলেদো!
য়েংবা ঙমদ্রেদা য়েংহৈদ্রে॥
অদুবু ৱাগনু অঙাওবা শান্তদাস, ভক্তলিচৎ কয়াগসু
'ৱাবা মচা মাংফরোই, নাঙগী উকল লৈগনি
লৈরিদনা ইপু লৌরেম্বা খোংনাংথাবা
চংজৌ, হাইজৌ, ঙাকপীহৈবনি, কুবীগনি শোইরোই
পুবীগনি নঙবু তাক্লখা পুরুক শৌবী ঈকোন্দা
হাইজ নোনজ খয়োম লাক্লঈরুপ্লবদা ফংগনি
ইবুধৌ পাখংবগী থৌজাল, পুক্লিংগী অইংবা
ৱাখলগী পোখাফম রাম নামদগী হেন্দোক্লবা॥
ইনিংথৌবু কিবনা মচিন মৈন্নে অহল লম্মনদি
অদুবু ঙমদে থিংলুবদি, মিকি লাইকিন্দবা নহাচাদি
উরে নোক্লে লক্লবিরে ময়াং মচা শান্থাদাস
"ৱাখা তাবা কোইজোম্বা নকোই ফৎ ফোইদৎকে"
নুংশি ইকায় য়ান্নরে মীলম মচা শান্তাদাস
ইমুংদৈ মপাল থোকঙমদ্রে, ৱানা খাংলে খাঙমদ্রে।
করিবু খন্না-মৈতৈ পুয়া তাঙ্গোয় ঙম্না ওলহল্লুবা
অসি থোক্কনি খংদা নিংথৌনা চাল্লে মতাগুম,
পুক্লিংনা চংজরে খোংনাথাবৈ মকাদা
খংই ইপুতনা ঙমগনি অৱা মৈচাক কোক্ল উপায়
অসিবু খন্না ইনিংথৌদা ৱানোমজৈ, রামগী ভক্ত শান্তদাস॥